# রেদ জোন এরিয়াদা লৈবশিংদা মখল অমত্তগী শেনখায় তৌবীগনু হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা থোরক্লিবা ঈরাং অসিদগী রেদ জোন হায়না খঙনবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কাংমোংদা মখল অমত্তগী শেনখায় থুমখায় তৌবীগনু হায়না ওল কাংমোং ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এ কে সী সী সী) অমদি ওল কাংমোং লৈকায় ৯গী মৈরা পায়বী, কাংমোং লাঙ্গোলজম ময়ায় লৈকায়না শীন্দুনা কম্যুনিটি হোল (কাংজৈবুং) মনাক্তা ঙসি ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

য়াম্লবা নুপীশিংনা শরুক য়াখিবা ৱাকৎ খোঙজং অসিদা রেদ জোন এরিয়াদা লৈবা মীচমশিংবু নুংশিবীয়ু অমসুং মখোয়দা মখল অমত্তগী শেনখায় থুমখায় তৌবীগনু, রেদ জোন ওইরিবা কাংমোং এরিয়াগী মীয়াম্বু নুংশিবীয়ু হায়না ইবা প্লেকার্দশিং পায়খিবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবীশিংনা খোল্লাও ওইনসু লাউখি।

ঙসিগী খোঙজং অসিগী মতাংদা ওল কাংমোং মৈরা পায়বী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট হৈক্রুজম প্রেমাবতিনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঈহৌ খুদিংদা কাংমোংগী মীয়াম্নসু শরুক য়াদুনা লাক্লি। মখা তানসু শরুক য়াখিগনি। মরম অসিনা অৱাবা কয়া খাঙলিবা অমদি লৈবাক্কী থৌগাইশিংদা শরুক য়ারিবা রেদ জোনসু ওইরিবা কাংমোং মীয়ামগী অৱাবশিং খঙবীরগা কনাগুম্বা অমত্তনা কাংমোং খুলদা মখল অমত্তগী শেনখায় থুমখায় তৌবীগনু হায়খি।

পনবা য়াবদি, লান অসি লোইদ্রিঙৈগী চৈরক্তা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেনখায় থুমখায়শিং তৌরক্লে হায়দুনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা মৈরা পায়বী অমদি মীয়ামগী লূপশিংনা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিন্নরক্লিবনি।

## স্কাই হোস্পিটালদা থা ২ মখায়...

*লমায়ম ১গী মখা...* হকচাংগী ফীভম শীংথানীংঙাই ওইনা ফগৎলে হায়রি।

পুং ১গা মিনট ১৩ চঙনা চথখিবা সর্জরি অসি নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ১১দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ১দা মায় পাক্লা লোইশিনখি হায়রদুনা হায় রিস্ক ওপন হার্ট সর্জরি অসিবু মায় পাক্লা পাঙথোকখিবগীদমক হোস্পিটাল অসিগী চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডা. এল শ্যামকিশোরনা অপেনবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

## এক্সিদেন্টদা ৪ শিরে, ৩...

*লমায়ম ১গী মখা...* মায়োক্লখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা মোইরাং পি এসকী মনুং চনবা থাঙ্গ তাকমু বোট হাউস মনাক্তা কার এম এন-০৫/এ-৮৩২৭ এক্সিদেন্ট থোকপদা ত্রোংলাওবী মখা লৈকায়দগী নিংথৌজম প্রেমচান্দ (২৭) অপোকপা এন প্রিয়ো অমসুং ইরেংবম মনাও (২২) অপোকপা আই ইবোমচা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিদা ত্রোংলাওবী মখা লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম বিপিন (২৭) অপোকপা কে চন্দ্র অমদি হেমাম ইনাওবা (২২) অপোকপা ঐচ খোমদোন কৌবা মোইরাং ওকশোংবুংদগী মীওই অনীনা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

## লৈখিদ্রবা পি এল এ অমসুং ...

*লমায়ম ১গী মখা...* হায়বগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা ম্যান্মারগী খুঞ্জাশিংনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭২গী মনাক্তা দিপ্লোই তৌবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংদা লৈখিদ্রবা মীওই অহুমগী হকচাংশিং খূৎশিন্ননবা হায়জরকখি হায়রি। অদুগা তোঙান তোঙানবা রিপোর্টশিংদা য়ুন্ফম ওইরদুনা লৈখিদ্রবা মীওই অহুমগী মমিং মথা খঙবা ঙম্লে হায়বগা লোয়ননা মখোয় অহুমগী হকচাংবু পল্লেল পি এস তান্না পুরক্লগা খূৎশিন্নখিবনি।

মখোয়গী গাড়ীদগী হকচাং অহুম্মক লৌথদুনা পুলিস ষ্টেসন অসিদা থল্লবা মতুংদা ৱিটনেসশিংগী মমাঙদা লৈখিদ্রবা অহুমগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংদা হকচাং অহুম্মক খূৎশিন্নবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিদা মখোয় অহুম লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা প্রিপাক (প্রো) না ঙসি থোরকখিবদদি কে সী পি, কে ৱাই কে এল, প্রিপাক, প্রিপাক(প্রো), আর পি এফ/পি এল এ অমসুং য়ু এন এল এফ (অপূনবা য়াওল লান্মী) না ঙমখৈ ঙাকপগী থবক চৎপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইনশিল্লগা থল্লিবা কে এন এফ-বিশিংগা আই ও এফশিংগা পূন্না লুমদুনা লৈবা মফম অমা থুগায়খিবগী থৌদোক্তা মখোয় অহুম লৈখিদবনি হায়না ফোঙদোরক্লিবনি।

## লৈঙাক্লা 'হৈবোক চীং' বু রিজার্ভ ...

*লমায়ম ১গী মখা...* ফোরেষ্টকী মনুংদা চলহনগদ্রা হায়বদু লেপকনি হায়খি।

থৌরাং অসি পায়খৎলকপদা লোকল কম্মিটিশিংগা খূৎশম্নরগা উ-ৱা মরাং কায়না থাদুনা চীং মচাশিং য়োকখৎকনি। মসিনা ইকো টুরিজম য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা পান্দমসু থম্লি হায়খি।

অমরোমদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ২দা হৈবোক চীংবু রেভন্যু ভিলেজনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লসু গেজেট নোটিফিকেসন থোকখ্রবনি অদুবু নোটিফিকেসন অদু এম্মেন্দ তৌরগা রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইহন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা অতোপ্পা ৱারেপশিংগী মনুংদা মণিপুর গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (৮শুবা এম্মেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স ওইনা পাস তৌবদসু অয়াবা পীখি। রেভন্যু ভিলেজগী মনুং চল্লিবা হৈবোক চীংদা য়ুম কৈনচিংবা শাজিনবা অমসুং পাট্টা তাশিল্লন্নবদি লৈঙাক্লা করি থবক পায়খৎকদগে হায়না পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা নিংথিজনা তান্নরগা থবক খুদিংমক পায়খৎকনি হায়খি।

পাট্টা তাশিনবা অমদি য়ুম কৈ শাজিল্লন্বশিং অদু মরম চান্না নৎত্রগা চাদন্না হায়বদুসু থিদোক্কনি। অদুগা তম্পাক্তা লৈরিবা চীংদুম মচাশিংসু সর্ভে তৌরবা মতুংদা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা খূৎশম্নুনা মমাঙদা লৈখিবা রেকোর্দশিং য়েংশিল্লগা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

## এন পি পিগী মীওই ৪না শাবা নেসনল ...

*লমায়ম ১গী মখা...* মতাংসিদা পনবা য়াবদি, এন পি পিগী টিম অসিদা অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেট ৱার্কিং প্রসিদেন্ট পি বাগেসু য়াওরক্কনি হায়না থৌরাং তৌখিবনি অদুবু মহাক্তি মচানুপীগী লুহোংবগী থৌরমগা ফাংজিন্নবদগী য়াওরকখিদবনি হায়রি।

ঙরাং অয়ুক ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা টিম অসিনা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা চৎতুনা পার্টি অসিগী অপূনবা এম এল এ ৭মক উননবা প্রোগ্রাম শিনবদা এম এল এ ৬কা মীহুৎশিং অসিগা উনখি অদুবু এম এল এ, টি ঐচ শান্তিদি হোটেল অসিদা লাক্লম্লগা চীফ মিনষ্টরনা পাঙথোক্কদবা প্রেস মীট য়াওরুরগা অমুক লাকখিগে হায়রম্লগা অদুমক লাকখিদবদগী উনখিদ্রে হায়রি।

পার্টিগী এম এল এশিং উনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নেসনল ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুম্নাম জয়কুমারনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অমসুং পোলিটিকেল সিচুএসনগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা থমখি হায়রি।

অদুগা ঙসি টিম অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতনা অয়ুক পুং ৯দগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপা ফাওবদা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তমগী সোসল এক্টিভিষ্ট, ইন্টলেকচুএল, জর্নেলিষ্ট, এদ্যুকেসনিষ্ট, এদভোকেটনচিংবা শক্লাইরবা মীওই ১১গা উননবা থৌরাং তৌখি অদুবু জর্নেলিষ্ট অমগা প্রোফেসর (রিটাইয়র্দ) অমগা লাকখিদ্রবসু মীওই ৯গা টিম অসিগী মীহুৎশিংগা অমমমতা ওইনা তোঙান-তোঙান্না উনরগা মখোয়দগী মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর অমসুং পোলিটিকেলগী ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্টশিং খোমজিনখি হায়রি।

টিম অসিনা চয়োল অহুমগী মনুংদা নেসনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ কে সংমাদা রিপোর্টশিং অসি লানখৎলবা মতুং মথং থাগী অনীশুবা চয়োলদা পাঙথোক্কদবা পার্টি অসিগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মীফমদা পুথোক্কনি অদুগা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্তা পার্টি অসিনা শৌগৎলক্লিবা অসি মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎপা তোক্লগদ্রা হায়বগী ৱারেপ লৌগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পাউচে অসিনা ঙরাং পার্টি অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমগা শানখিবা ৱারীদদি করিগুম্বা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী ফমদা হোংদোক হোংজিন তৌরক্লবদি পার্টি অসিনা শৌগৎপা তোক্কদ্রা নৎত্রগা শৌগৎখিগদ্রা হায়বগী ৱারেপতি খরা তপথরবা য়াই হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি।

## মশা কঞ্জনবা পায়বা নোংমৈনা ...

*লমায়ম ১গী মখা...* ফোঙদোকখ্রে।

সোসাইটি অসিগী ওনরেরি দিরেক্টর ইরফান ইঞ্জিনিয়র অমদি এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর নেহা ধবারে অনীগী ফেক্ট ফাইন্দিং টিম্না মণিপুরগী ঈরাংগী মতাংদা থিজিল্লবা মতুং ঙসি ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা রেকমেন্দেসন কয়া থমখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ইরফান ইঞ্জিনিয়রনা হায়, সোসাইটি অসিনা কুমজা ১৯৯৩দগী হৌদুনা ইন্দিয়াদা থোকপা হাৎন-শুনবা, খৎন-চৈনবগী ঈরাং কয়া নৈনদুনা অশেংবা অমা খঙদোক্তুনা সোল্যুসন পুরক্লবা অমসুং ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্ননা লৈহন্নবা হোৎনরক্লি। ঐখোয়গী ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অসি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদসু মণিপুরদা লাক্লম্লে। লোয়ননা হন্দক্কী থা অসিদা অমুক লাক্তুনা নাকল অনীমক্কী অখঙ অহৈ অমদি মীচম কয়া উনদুনা ৱারী শারে। মুক্লরিবা ফুরুপ অনীখক্কী মীওই নত্তনা টিম অসিনা নাগাগী মীওইশিং ৱারী শারুরগা মণিপুরী পুম্নমক হৌজিক ঈং-তপ্পা পাম্মী অমদি মসিবু হঞ্জিল্লকপা ঙাইরি। মীতৈসু, কুকিসু ঈরাং অসি পামদ্রে হায়বসু থেংনরকখি হায়রি।

ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক নোংমৈগী মরুমদা মণিপুর হিংলে। নাকল অনীমক মশা কঞ্জনবগী মীংদা পাক্তরুনা নোংমৈ পায়রে অদুগা নাকল অনীমক্তা নোংমৈশিং অসি মশা মশাগী ফুরুপকী মীয়ামদা অমুক ওনশিল্লকপদগীসু মীয়াম ৱানরে। নোংমৈগী মরুমদা দেমোক্রেসি অমসুং ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন মমি শাল্লকপা থেংনরে। মরম অসিনা লমদমসিদা মহৌশাগী ফীভম অমদি ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবগীদমক মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াম্না থম্মোয় শেংনা হোৎনবা তঙাইফদে। পিছ পুরক্লবগী পান্থৈদি নাকল অনীমক্তা খূৎলায় থাদোকহল্লগা ৱারী শানবা নত্তনা লৈরোই। থেংলবসু থেংনা হোম মিনিষ্ট্রিনা ৱারী শাননবগী খোঙথাং অমা থাংলক্লিবসি তরাম্না ওকই। দাইলোগ অসি মখা চথবা তঙাইফদে। লোয়ননা ৱারী শানবা অসি পোলিটিকেল লেভেলদা খক্তা নত্তনা সিভিল সোসাইটি অমদি গ্রাসরুট য়াওনা পূন্না ফম্মিন্নদুনা তান্নবা, ৱারী শানবা মরু ওই হায়খি।

## দেঙ্গিনা ১সু লৈখিদ্রে, ৫ শুরে...

*লমায়ম ১গী মখা...* সর্ভিসেসনা থাগৎলকপা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনখিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি ইম্ফাল ৱেষ্ট -৩২, ইম্ফাল ইষ্ট-১১, বিষ্ণুপুর-১ অমসুং ককচীংদা ১নি হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী ১৩দা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস ১৮২৮ শুখ্রে।

## সোপাইবা, গুলু ১সুং ...

*লমায়ম ১গী মখা...*আই ও এফশিংগা পূন্না লুমদুনা লৈবা মফম অমা থুগায়বদা থোকখিবা থৌদোক্লি। লৈখিদ্রবা মরুপ ৩সি ইরৈবাক থুগায়নবা চঙশিল্লক্লিবা কাঙবুশিংগা শিবা কিদনা লাম্থেংনবগী থৌনা লিংজেল লৈবা অথৌবা অথৌবীশিংগী ঈ চেল্লবা মমল য়াম্লবা য়াওল লান্মী ঙাক্তনি। লানফমদা থৱায় থাখ্রবা মরুপ অহুম্না য়াওল্লুপশিংগী অপূনবা 'য়ুনিটি' গী ঈগী য়ুন্ফম অমা থোনবীরম্লে। লৈহৌরিবা য়াওল লান্মী ঐখোয় পুম্নমক্লসু মখোয়গী থৌনা লিংজেল লৈনা অপূনবগী থবক থৌদাংদা চিংনবা লৈতনা মথৌদাং লৌখিবা অদুগুম্না লৌমিন্নসি। মরুপ ৩গী ইমুং মনুং, মরী-মতা অমদি মখোয়গা তিন্নরম্বা মীওইশিংগী পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইতবা, অৱা পোৎলূমশিংবু পার্টিনসু অমসুং পার্টি তরুক্লসু পূন্না শরুক য়াজরি। মখোয় অহুমগী থৌনা লিংজেলদু মতম পূম্বদা য়াওল লান্মীশিংগী লানগী লমজিং-লমতাক ওইরসনু হায়না পার্টিনা য়াওল্লুপশিং অমসুং মীয়ামদা থমজরি হায়রি।

# মণিপুর মূৎত্রিঙৈদা ইন্দিয়াদগী নাখৈ শেংবা অমা খঙদোকপা মতম...

*লমায়ম ১গী মখা...*ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, সেন্টরনা মণিপুরগী বোর্দর ফেন্সিং খানবা হোৎনরিবসি ম্যান্মার কিবগী নত্তে। লমদম অসিগী লালহৌবা মূখৎনবা অরোনবা থৌরাংনি। থোক্লিবা ঈরাংসিদি সেন্টরনা লোইশিনখিরোই। লান অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা স্পোন্সর তৌবা লান অমনি। মসি ঐখোয়না ইন্দিয়াদা তিল্লুবগী মহয়নি। ঙসি ঐখোয়না খোংজোম নুমিৎ, অথৌবশিংগী নুমিৎনচিংবা পুৱারীশিং নীংশিংলিবসি মীখা পোন্না হিংবা পামদবা লৈবাক অমনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। ঐখোয়গী থৌনা হনগুমসি অমসুং পূন্না লাম্থেংমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা হায়, তুংগী মীরোলগীদমক তেক্তা কায়দবা মণিপুর অমা থল্লমসি। ঙসি লান অসিনা মরম ওইরগা হীরম খুদিংমক্তা মরাই চাইথরে। মী মশেলগী মরক্তসু লৈবাক নীংবগা লৈঙাক নীংবগা অনী থোক্লে। মশাগী ওইজবা পূম্বা থাদোক্লগা লৈরিবশিংগী পিগী ইহুল খঙনা থবক তৌরবা মতমদা লৈঙাক নীংসি। হৌজিক লৈঙাক নীংবা মতম নত্তে, লৈবাক নীংসি। থম্মোয় শেংদ্রবদি মীয়ামগী লুচিংবা ওইবীরক্নু। সী এস ওদা য়াওবীরক্নু। লৈঙাক নীংবা য়াওবীরক্নু। লমদমসিদা মীতৈ নুপী লৈরম্বগী ঐখোয় হিংবনি। মখোয়গী থৌনা মালেম্না খঙবনি। তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহাশিংবু ইপা ইপু মশক খঙহনসি অমদি অফবা লম্বীদা লমজিংহৌসি হায়খি।

অমোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা ফোঙদোকখিবদা লূপ অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি অৱা অনাতনা থল্লবা মণিপুর খুন্নাইসিবু মীওৎ মীনৈ লৈতনবা, নুপা নুপীগী থোং মান্নবা, চাওখৎপা, মীনা মীবু ওত্তবা মান্নবা খুন্নাই অমা লিংনবা ইরমদম মণিপুরগী মীয়ামনা লিশাং শিংনা চঙশিল্লক্লিবা অচুম্বা ঈহৌসিদা খুন্নাইসিগী নুপী ওইবী কয়াসু য়াওশিল্লক্লবা অমদি হেন্না থৌনা লিংজেল লৈনা চঙশিন্নবা হোৎনবনি। ঙসি ফাওবা পুৱারীদগী হৌদুনা নুপী ওইবীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। ঙসিমকসু হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী চথরক্লিবা খূৎনেক্কী অমদি খূৎশেমগী লান অসিনা মরম ওইরগা নুপী খুন্নাইনা অয়ুক নুংথিল নাইদনা খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা ইরমদম্বু মীকুপ নাহুম শিংনা ঙাক শেল্লি। দেল্লীগী য়াকা য়েংদুনা লৈবা লৈবাক অমা হায়বদু ওইরকপদগী লমদম অসি মরোমদোম হিংলম্মী হায়বা কাউশিল্লক্লিবনি। অদুবু ঐখোয়না কাউরোইদবদি ইরমদম অসি লিশাংশিংনা মশাগী পুৱারী লৈজরক্তুনা ইন্দিয়াদগী নীংতম্বা হানখিবনি। ঐখোয় খুদিংমক থৌনা ফবা ইপা ইপুশিংদুনা ঙাক্লম্বা পনখৈ অদু মতম চূপ্পদা ঙাকমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অসিদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী হান্নগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর সী ঐচ সিলারামনি, পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস মেমচা লৈমা অমসুং অমোভাগী প্রসিদেন্টনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অসিদা জি পি ৱিমেন কোলেজগী পোলিটিকেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. কোন্থৌজম ইন্দ্রকুমারসু রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

# মেদিসিনেল, সাইন্টিফিক নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুজগীদমক...

*লমায়ম ১গী মখা...* 'মণিপুর নার্কোটিক দ্রগস' (এমেন্দমেন্ট) রুলস, ২০২০ ওইনা মীংথোন্দুনা চৎনহন্নবা থোকখিবনি। হায়রিবা মণিপুর নার্কোটিক দ্রগস (এমেন্দমেন্ট) রুলস, ২০২০ অসিনা পীরিবা চৎন-পথাপশিং নোটিফিকেসন অসিবু ওফিসল গেজেটতা ফোঙবা নুমিৎতগী চৎনবা হৌগনি হায়নসু নুমিৎ অসিমক্তদা ফোঙখিবা মণিপুর গেজেটতা ময়েক শেংনা পল্লি।

পূন্না লমায় ২৬ পানবা গেজেট নোটিফিকেসন অসিগী চেপ্টর ২ এগী 'কলটিভেসন' দনা গঞ্জা পান্বীবু মেদিসিনেল, সাইন্টিফিক নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিএলগী ওইনা শীজিন্নবদা থাবা অমসুং লোকপা য়াওনা পৈশিন্দুনা থম্বগী অয়াবা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা পীরে হায়খিবনি।

গেজেট নোটফিকেসন অসিদা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংগী দিফিনিসনশিং মেদিসিনেল হেম্পতগী দ্রগ মেন্যুফেকচরতৌবগী য়াওনা অয়াবা পীরবা থবকশিং অসিগীদমক লাইসেন্স পীনবগী তঙাইফদবা ক্রাইটেরিয়াশিং অমসুং গঞ্জা পান্বী থাবগী অয়াবা লৌনবা এপ্লিকেসন অমসুং মসিগী ফী, দিজিগনেটেদ এক্সাইজ ওফিসর অমসুং রেস্পোন্সিবল পর্সন্স ইন চার্জ এপোইন্টমেন্ট পীবা য়াওনা হেম্প প্লান্ট কলটিভেসনগী মখাদা এরিয়া মিজরমেন্ট তৌবনচিংবা ৱাফমশিং শুগাইনা পল্লি অদুগা মেদিসিনেল, সাইন্টিফিক নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুজগীদমক হেম্প প্লান্ট কল্টিভেসন তৌনবগী লাইসেন্স পীনবা এপ্লিকেসনগী অকূপ্পা ৱারোলশিং য়াওবা ফোর্মেটশিংসু গেজেট নোটিফিকেসন অসিদা য়াওরি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দা মণিপুরদা অহানবা ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লিংলকখিবদগী লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিংদগী কলহৌনবা অমসুং হায়রিবা চীঙ্গাকশিং অসিবু ঙমখৈ লান্না পুশিল্লক্তুনা লল্লোন ইতিক তৌবগী মায়োক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা 'ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেন' কুমজা ২০১৮দগী হৌরদুনা চথরকখিবনি। মসিগী মথক্তা এন দি এন্দ পি এস এক্টকা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱায়েল অথুবা মতমদা চথবা ঙম্নবগীদমক উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা এক্ট অসিগা মরী লৈনবা কেস খক্তগী ওইবা 'ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট' অমা ফাওবা লিংখৎখিবনি। অদুম ওইনমক গঞ্জা পান্বীবু মেদিসিনেল, সাইন্টিফিক অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল য়ুজগীদমক থাবদা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা হৌজিক মণিপুরগী করম-করম্বা মফমদা কয়াম পাক চাউবা এরিয়াদা অয়াবা অসিগী মখাদা গঞ্জা পান্বীশিং থারিবগে হায়বগী রিপোর্টতি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# সেলোই লংমাই চীংগী শুরুং ইপু মায়চৌ খোংনাংথাবনা থুপখিবা মফম্নি...

*লমায়ম ১গী মখা...* লৈবা শুরুং অসি মায়চৌ খোংনাংথাবগী থুপফম্নি। অদুবু হৌজিক্তি শুরুং অসি অন্মম লৈশা লোক হায়রগসু খঙনৈ। লাই ওইরবশিংগী অন্মম লৈশা লোক ওইবা মরম্না মতিক ময়াই য়াম্না লৈবা অমসুং মরূ হকপা থৱায়শিংগী থুপফম শুরুং ওইনা লৈরকপনি। খাগেম্প নিংথৌসু হৌজিক লাইনিংথৌ খাগেম্বা হায়না লাই ওইনা লাৎনরি। অসিগুম্লবা নিংথৌরেল কয়াসু থুপফম ওইখিবা শুরুং অসিবু অন্মম লৈশা লোক হায়না খঙনবনি। শুরুং অসি মী অনী থৈনবা য়াদবা খোঙ লম্বীগী শুরুংনি। মতম শাংনা মীতৈ ফুরুপ্পা অতোপ্পা লাইনীং লৌখিবদগী কাউনবগুম্না মীতৈ অমত্তনা চহী কয়া লিশাং শিংনা খঙবীদনা, চঙবীদনা অমসুং খুরুম্বীদনা লাকপা শুরুংনি। অদুবু মীগী লাইনীং চত্তবা সেকমাই অমদি অন্দ্রোগী মীয়াম্নদি চহী খুদিংগী ঙমদ্রবসু চহী ২/৩গী মনুংদা খুরুম্বা হেক-হেক লাকই।

প্রোফেসর কাংজিয়ানা মখা তানা হায়, শুরুং অসি মী অনী থৈনবা য়ানবা শেমগৎখিবনি। করিগুম্বা মী অমা নাম্থদুনা তাখ্রবদি মহাক্কী হকচাং অদু ফক্লাংগুম্না ঙমখ্রবা চীংমাই ওইবনা মশক উবা ফংদবনা খুদোংথীনীংঙাই ওই অদুগা শুরুং অসি চীং মথক্তা লৈবা শুরুং অমসু ওইরিবনি। মী চঙবা য়াদবা মফম ওইবদগী ইপু মায়চৌ খোংনাংথাবনা হিরি কোনফম অচিকপা মফম ওইরম্লিবনি। মহাক শুরুং অসিদা থুপখিবনি। মায়চৌ অসিবু খঙনরবসু কনানসু কদাইদা থুপখিবগে হায়বসি নীংশিংনদে। মায়চৌ অসিগী মতিক ময়াই খক্তমক খঙনবনি।

থৌওং অসি মীতৈনা মীতৈগী লাইনীং চত্তবা অমদি লিশাং শিৎনা মীতৈনা মফুরুপ্পু মশক খঙজদবদগী ওইরকপনি। অদুবু ৱারী খঙবা অন্দ্রো অমদি সেকমাইগী অহলশিং লৈরম্মী। সেকমাইগী পন্দিট প্রসুরামনা মহাক্কী মতমদা তাক্তুনা মায়চৌ অসিনা থুপখিবা মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা চৎনৈ। পন্দিট অসি কোনুংগী পন্দিট ওইনা অচৌবা মফম কল্লম্বা শক্লাইবনি। মীতৈদি মীয়ান লাইনীং চৎখিবদগী মতম শাংনা নীংশিংলুদ্রবনি। লাংওল্লকখিবা খাগেম্বা নিংথৌগুম্বা লাইগী মঙাল ফংখিবা নিংথৌশিংদি শুরুং অসিদা থুপখিবা ঙাক্তনি। শুরুং অসিদা থুপ্লগা মপুগী মনাক্তা চৎখিবনি। শুরুং অসি নোংমাইজিং চীংশাংগী নোংচুপ লোম থংবা চীংশাংদা লৈবনি। মীরেল পোন্দিনফম্নি হায়বদি পুন্সি চেঙজেল লোইরবদা থৱায় মিরেলনা মপুগী ফানখোঙ পায়দ্রিঙৈদা থুপ্নফম ওইবা মফমনি হায়রকখি।

ঙরাং নহান চীং নীংখাইরক্তুনা উফম কায়খ্রবা সেলোই লংমাই চীং হায়না খঙনরক্লিবা অসিগী শুরুং অসিনা লৈরিবা অসি মমায় নোংচুপ ওনবনি। চীংমায় অসি য়াম্না শাংনা অমসুং ৱাংনা ফক্লাংগুম্না য়াম্না ঙম্বনা কুমথবা য়াবা মফমসু নত্তে। অৱাং লোমদগী কাখৎপা য়াবা মফম অমদগী শুরুং অসিগী মপা চপ চানা তাগদবা খোঙ লম্বী অমা ফক্লাংগুম্না ঙম্বা চীংমায়শিংদগী মখা পাংনা ফৈনা খোঙ থাবা য়ানবা অচম্বা য়োৎপাক্লুম্বা য়োৎনা শাবা খূৎলায়শিংতনা শেম্বা চৎফম্নি। মফম অসি খজিক অহকপা মফম ওইবনা য়ুন্ফম লৈতবা অমসুং অদুগী লাইফম্নি, অদাগী লাইফম্নি হায়না থাগৎনরকপগী থৌওং তৌহন্নীংদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# ঐখোয় লমদমসিগী য়েলহৌমীনি, রিফ্যুজি নত্তে, রিলিফ কেম্পতা হিংনীংদ্রে ঐখোয়বু য়ূমদা হলহনবীরো : মোইরাংথেম নিঙোল

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**তোর্বুং সাবল লৈকায়দগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

লেপ্তুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনফমদা লৈরিবা তোর্বুং সাবল লৈকায়দগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা ঙসি ফাওবদা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবনা শীন্দুনা থাও গ্রাউন্দদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৪১ রোম শুরবী মোইরাংথেম নিঙোলনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, মণিপুরগী অঙম অথৌশিংনা মখোয়গী মচা-মশু নুংশিবগুম্না ঐখোয়সু লায়রজরবসু ঐখোয়গী ইচাশিং নুংশি অমসুং ইচাশিংবু অফবা স্কুলদা থাদুনা মহৈ-মশীন তমহন্দুনা মী ওইনবা শেম্নীংই। ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা লান অসিগী মতাং য়াওনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়গীদমক লৌরক্লিবা থৌদাংশিং অসি করিনো হায়নসু হংলকখি।

রিলিফ কেম্পতা ঐখোয়না তূম্নরিবা চহী হেল্লক্লবা চরূগী মোম্পাক অসি ফাওবা পৎলে, তীল-কাঙ অমসুং মা চেল্লক্লে। কুকিশিংবুনা মনীং-মখা তমহনবা মণিপুর লৈঙাক অসিবু কুকিগী মখাদা লৈরব্রা হংলদুনা চীংদা লো চলাইবা ঙমদ্রগা তম্পাক্তা খক্তা লো চলাইবগী মওং চথরক্লিবা করিগীনো হংখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ঐখোয়বু ইশা ইশাগী য়ুমদা চঙবা য়ানবা শিনবীয়ু। চহী অমা হেল্লক্লে ঐখোয়না তুম্ফম চাফম খঙলক্তবা হায়রদুনা ঐখোয়গী পুন্সিসি ৱাবগী পনখৈ হৌজিক্তি খম থেংলে। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়বু লৈঙাক্লা রিফ্যুজি ওইনা উবীগনু। ঐখোয় লমদম অসিদা পোকপা অমসুং চাউবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

---

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 90.939986 |
| US Dollar | 84.073537 |
| British Pound | 109.052581 |
| Australian Dollar | 56.212687 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.806394 |
| Japanese Yen | 0.557341 |
| Malaysian Ringgit | 19.437237 |
| Singapore Dollar | 63.912247 |
| South Korean Won | 0.060991 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.419610 |
| Thai Baht | 2.510678 |

**'করপসন' গী থবক-থৌওং পুম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পুম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**GAS NEWS**

**M/S R&HINDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 31/05/2024**
Valid from 25/05/24.
Office contact no.7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**STOCK 312 NOS.**

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO 31/07/24**
VALID FROM 26/07/24
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO.
8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING 8:AM TO11.30 PM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS (5 kg Ujjwala Cylinder Available

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk up 19-06-24**
(SL.upto 5420)

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-07-06-2024,**
VALID FROM 25-05-2024,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**MANIPUR GAS SERVICE,**
**Booking 10/07/2024**
Valid from 20/05/2024
Home delivery only
Time: 8am to 2pm
Complain and Enquiry no: 8730954041

**HL Poll**

Q : Myanmarda base touba PDFka khut thoknabada leikhidaba meeoi ahumgi hakchang Assam Riflesna purakpagi maram chap chana thidokpa chumloidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Maharastra amasung Jharkhandgi Assembly Election sing pangthoktringeigi mamangda Manipur leingakta ahongba ama soidana lakkani thajabra?

Yes 25% No 75%

**অস! লোইরেহে!**

- ইয়াম্বা কদাই লেঙবীরুবনো?



- হায়, নুপীনা নুপাদা ইয়াম্বা কৌবা য়াদে।

**COOK পামজৈ**

চাক ইনশাং নিংথিজনা থোংবা হৈরবা নুপী অনী পামজৈ। হায়রিবা Cook অনী অসি মীওই চনী (২০০) দগী তাদবা মীশিংগী Chicken অমদি অতোপ্পা মথেলশিং থোংবা ঙমগদবনি অমদি তনগং (Chapati) অমদি Alu Paratha শেম্বা-শাবা হৈগদবনি। অদুগা নুপা Helper খরসু পামজৈ। পান্বীবা মীওইশিংনা Mobile No. 9233523641 অমদি 8787418819 দা কোল তৌবীরকউ।

HL-P/1592/25,26,27

**অৱাবা ফোঙদোকচবা**



ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বী 1st Batch G.P.W.C, Sc Students 1971-74 গী ফাউন্দর মেম্বর ওইবীরম্বী খুরাইজম ওংবী চীত্রবালা দেবীনা তাং ১৮/১০/২০২৪দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম L. Chitra গী Kwakeithel Thiyam Leikai দা লৈবা য়ূমদা তাং ২৩/১০/২০২৪দা ফমখি। মীফম অদুদা মেম্বরশিংনা মিনট ২ (অনী) তূমিন্না লেপ্তুনা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা মপুগী খুয়াদা লৈবা ওইহনবীয়ু হায়না থৌনিজখি।

অদুগা লোয়ননা চহীগী পাঙথোক্লিবা Guru Puja দা ছাত্রিশিং ওজাশিং খুরুমজবা অমদি থৌনীজবগী থৌরমদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্ববু নীংশিংনখি। Guru Puja হায়বা মিংসিসু মহাক্লা হৌদোল্লম্বনি। মহাক্লা লৈখিদবসি মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। মীফমদুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

**Sd/- L. Chitra**
**Convenor**
1st Batch, G.P.W.C Sc. Students 1971-1974

HL-P/1590/25,26,27

**থা ৩ গীওইবা পাঞ্জিগী ক্লাস**

**হৌগদবা ঃ** তাং ৪।১১।২০২৪
**মতম ঃ** অয়ুক পুং ৬.০০ - ৯.০০ ফাওবা
**মফম ঃ** তাকয়েল কোলোম লৈকায়।
Landmark-Near Montesori Kindergarden
তমগদবা মওং - ত্রেডিসনেল অমসুং মোদর্ন (Vedic Astrology) লোয়ননা Computer শিজিন্নবা।
Seat মশিং ১০ খক্তনি। হান্না লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

পাউ ফাওফম : শ্রী এলাম শ্যামকিশ্বর সিংহ (জ্যোতিষচার্য্য)
মতমগী মণিপুর খুৎপায়গী গনিতকার
Mobile - 8132051288 দা অকুপ্পা মরোল।

HL-P/282/23,25,27 oct.